# অকানে য়মাগুচিনা এসিয়া বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী পুৰারীদা অহানবা জপানগী নুপী শান্নরোয় ওইনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



**ৱুহান, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী)ঃ**
চাইনাগী ৱুহান সিটিদা থা অসিগী ২৩দগী হৌদোকখিবা এসিয়া বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী পুৰারীদা নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা অহানবা জপান মচা অমা ওইনা অকানে য়ামাগুচিনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

য়ু এস দোল্লর ৪০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা টুর্নামেন্ট অসি ৱুহান স্পোর্টস সেন্টর জিমনেজিয়মদা পাঙথোকপনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল অদুদা ৱর্ল্ড নম্বর ৪ জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা ৱর্ল্ড নম্বর ৭ চাইনাগী হি বিংজিয়াওগা লম্বা তৌনখি। অহানবা গেম অদু শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী লম্বা মান্নখি। পোইন্ট ইখেৎ খেন্নদনা শান্নরকপা অদুনা মরম ওইরগা পোইন্ট ১৯-১৯ ফাওবা মান্নরকখি। মখা তাবা পোইন্ট য়ামাগুচিনা লৌবা ঙমখিবদগী গেম অদু ২১-১৯দা থোইখি।

নীংশিংবা য়াই টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা অকানে য়াবাগুচিনা নম্বর ১ সিদেদ ওইখিবী সেন য়ুফৈবু ১৫-২১, ২১-১৬, ২১-১৭দা থোইরম্বনি। মদুগী মাংওইননা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাইনা নেহৱালবু মায়থীবা পীরমখি।

নাকল অমরোমদা হি বিংজিয়াওনা মহাক্কী সেমিফাইনেল মেচতা অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোয় কাই য়ান য়ানবু ৮-২১, ২১-১২, ২১-১৭তা থোইরম্বনি। লোয়ননা মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পি ভি সিন্দুবু মায়থীবা পীরমখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুগী অনীশুবা গেম অদুদদি জপানগী শান্নরোয় অদুনা য়াম্না লাকশিন্না শান্নদুনা বিংজিয়াওবু ২১-৯দা মায়থীবী পীদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

টাইটল অসি থারগা য়মাগুচিনা মহাক্কী করিয়রদা ১১রকশুবা টাইটল লৌবা ঙল্লি। চহী অসিদা মহাক্না জর্মন টাইটলসু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা জপানগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় কেন্তো মোমোতানা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় চাইনাগী শি য়ুকিবু য়াম্না লম্বা মান্নবা মেচ অমদা গেম ২-১দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

সেমী ফাইনেলদা কেন্তো মোমোতানা হোং কোংগী ঙু য়েন টিয়েন মিনবু ২১-১৮, ২১-৮দা থোইরমখি। অমরোমদা শি য়ুকিনা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় চৌ টিয়েন শেনবু ২২-২০, ২১-১৮দা থোইখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম শি য়ুকিনা ২১-১২দা থোইবা ঙমখি। অদুবু অনীশুবা গেম অদুদা জপানগী শান্নরোয় অদুনা য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নদুনা য়ুকিবু ২১-১৮দা থোইবা ঙমখি। অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা কেন্তো মোমোতানা য়াম্না লাকশিন্না শান্নরকপদগী ২১-৮দা থোইদুনা নুপাগী চেম্পিয়ন ওইখি।

নুপাগী দবলসতা ইন্দোনেসিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা মারকস ফর্নান্ডি গিদিওন অমসুং কেবিন সঞ্জয়া সুকামুলজো অমসুং জপানগী পেয়র রিরোকো এন্দো অমসুং য়ুতা ৱাতানবেগা লম্বা তৌনবদা জপানগী পেয়র অদুনা ২১-১৮, ২১-৩দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

নুপীগী দবলস ফাইনেলদনা জপানগী পেয়র মায়ু মাটসুমোতো অমসুং ৱাকানা নগাহারানা চাইনাগী শেন কিংচেন অমদি জিয়া য়িফানগী লম্বা অদুদা অহানবা গেম অদু জপানগী পেয়র অদুনা ২১-১৯দা থোইদুনা গেম অমা মাংজিল থাবা ঙমখি। অনীশুবা গেম দা চাইনাগী পেয়র অদুনা জপানগী শান্নরোয়শিং অদুবু ২১-১৪দা থোইদুনা লম্বা মান্নরকখি।

চাইনাগী শেন কিংচেন অমসুং জিয়া য়িফান অহুমশুবা গেম অদুদা হৌরকপদা মাঙজিল থাবা ঙমখি। জপানগী মায়ু মাটসুমোতো অমসুং ৱকানা নগাহারানা অমুক তান-খৎলত্তুনা পোইন্ট ১৯-১৯দা মান্নদুনা লৈখি। অদুবু গেম অদুগী লোয়শিল্লকপদা য়াম্না মরু ওইবা পোইন্ট অনী লৌবা ঙমখিবদগী ২১-১৯দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। মিক্স দবলসতা চাইনাগী ৱাংয়িলু অমসুং হুৱাং দোংপিংনা অতোপ্পা চাইনাগী পেয়র অমবু থোইদুনা টাইটল সেলৌবা ঙমখি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৩

১। ঐহাক মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী দ্রামা য়াওবা নুপানি। মতম অমদা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা খ্বাইদগী চাউবা শান্নবগী লূপ (স্পোর্টস এসোসিএসন) অমগী অহানবা প্রসিদেন্টনি। ঐহাক্কী মীং হায়ু।

২। মণিপুরগী টিম অমা কুমজা ১৯৫২দা Nagaon Independence cup তা শরুক য়াখি। মণিপুর টিমনা ফাইনেল শান্নবদা চীংমীগী শান্নরোয়শিংনা মশীং য়াম্মী। তম্পাক্কী শান্নরোয় অনী য়াওখি। মখোয়গী মমিং হায়ু।

৩। রোয় জোনস ওলিম্পিক্কী বোক্সিং ফাইনেলদা মায়থীবা নংখি। অদুবু মহাক বোক্সিংগী খ্বাইদগী চাউবা ত্রোফি অমা ফংখি। ত্রোফি অদুগী মমিং করি কৌবগে?

৪। মহাক্না চহী ১৩ শুরকপদা কুমজা ১৯৭২গী ওলিম্পিক গেমসতা সিলভর মেদল অহুম ফংখি। মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইসাক ইগবালনা টাইটল লৌখ্রে

**মুম্বাই, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী)ঃ**
মহারষ্ট্র ষ্টেট লোন টেনিস এসোসিয়েসনগী কোর্টতা পাঙথোকপা য়ুএস৩০০০গী শেলগী মনা লৈবা আর বি এল বেঙ্ক এ টি টি এসিয়ন রেঙ্কিং মেন্স টেনিস চেম্পিনশিপ্তা কোলকতাগী ইসাক ইগবালনা টাইটল লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা চেন্নাইগী পৃথিবী সেখরগা লম্বা তৌনখি। পনবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসিদা ইসাক ইগবাল সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকপনি। নীংশিংবা য়াই, ইগবালনা ক্বার্টর ফাইনেলদা থিরথা মকরলাবু মায়থীবা পীরমখি। মদুগী মাংওইননা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইসাক ইগবালনা পরস্বীর বজৱাবু থোইরম্বনি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুদা ইসাক ইগবালগা লম্বা তৌখিবা পৃথিবী সেখরনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা রগব জয়সিঙ্গালনিবু মায়থীবা পীরমখি। লোয়ননা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা গোকুল সুরেসপু থোইরম্বনি।

ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট অদুগী হৌরগা ইগবালনা সেখরবু হিরম অয়াম্বদা হেন্দুনা লৈখি। সার্ভিস গেম ৩ ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-১দা অহানবা সেট লৌখি। অনীশুবা সেট অদুসু ইগবালনা সেখরগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইরবা মতুং টুর্নামেন্ট অদুগী চেম্পিয়ন ওইখি।

চেম্পিয়ন ওইদুনা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৩১গা লোয়ননা পোইন্ট ৫০ ফংখি।

# চাইনাগী মা লোংনা ৱর্ল্ড টেবল টেনিসকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মায়পাক্কুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



**বুদাপেষ্ট, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী)ঃ**
হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ্তকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা চাইনাগী শান্নরোয় মা লোংনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা মা লোংনা ১৬শুবা সিদেদ স্বিদেনগী শান্নরোয় মাটিয়াস ফাল্কপু গেম ৪-১দা থোইখি।

অহানবা গেম অদু মা লোংনা য়াম্না কোম্না ১১-৫দা থোইবা ঙমখি। অনীশুবা গেম অদুদা স্বিদেনগী শান্নরোয় অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাকখ্রবসু মহাক্কী পোইন্ট ৭ শুরকপদা মা লোংনা পোইন্ট ১১ য়ৌবা হানখিবদগী ফাইনেল মেচ অদুদা গেম ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

স্বিদেনগী মাটিয়াস ফাল্কনা চাইনাগী মা লোংগী মায়কৈদগী শোয়খিবা মায়কৈ খরগী খুদোংচাবা লৌদুনা ১১-৭তা থোইদুনা শোখরম্বা গেম অমা ফুংাৎপা ঙমখি। শান্নরোয় অনীগী মায়কৈদগী ৪শুবা গেম অদুদা য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি।

পোইন্ট মান্ন-মান্ননা শান্নরকপনা মরম ওইদুনা ৯-৯দা লৈখি। অদুবু এক্সপরিএন্স লৈবা হেনখিবা মা লোংনা য়াম্না মরু ওইবা পোইন্ট ২ থংননা লৌ-খদুনা ১১-৯দা থোইদুনা গেম ৩-১দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

৫শুবা গেম অদুদা চাইনাগী শান্নরোয় মা লোংনা য়াম্না হেঞ্জিল্লক্তুনা ১১-৫দা থোইদুনা নপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপীগী ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ জপানগী হিনা হয়াতা অমসুং মিমা ইতোগী চাইনাগী চেম্পিয়শিপ অদুদা ২শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকপা পেয়র সুন হিংশা অমসুং ৱাং মানয়ুগা লম্বা তৌনখি।

অহানবা অমসুং অনীশুবা গেম অদু জপানগী পেয়র অদুনা ১১-৮, ১১-৩দা থোইদুনা গেম ২-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অদুবু চাইনাগী পেয়র অদুনা মখা তারকপা গেমশিং অদুদা য়াম্না চেকশিন্না শান্নরক্তুনা ফজবা ঙমখি।

অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গেম অদু চাইনাগী পেয়র অদুনা ১১-৮, ১১-৩দা থোইদুনা ফাইনেল মেচ অদুদা গেম ২-২দা মান্নদুনা লৈখি। ৫শুবা গেম য়াম্না নক্লনা শান্নরকপদগী পোইন্ট ১০-১০দা মান্নদুনা লৈখি। অদুবু চাইনাগী পেয়র অদুনা থংনবা পোইন্ট ২ লৌবা ঙমখিবদগী ১২-১০দা থোইদুনা ৩-২দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

ফাইনেল অদুগী ৬শুবা গেম অদু চাইনাগী সুন হিংশা অমসুং ৱাং মানয়ুনা ১১-৮দা থোইদুনা নুপীগী দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী দবলস ফাইনেলদা চাইনাগী মা লোং অমসুং ৱাং শুকিনগা স্পেনগী অলভারা রোবলস অমসুং রোমানিয়াগী ওভিদিয়ু আয়োনেস্কুগা লম্বা তৌনখি।

অহানবা গেম চাইনাগী পেয়র অদুনা য়াম্না কোমনা ১১-৩দা থোইখি। মখোয় অনী টুর্নামেন্ট অসিদা ১৮শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকপনি। অমরোমদা স্পেন অমসুং রোমানিয়াগী পেয়র অদুনা ৭শুবা সিদেদ পেয়রনি।

অনীশুবা গেম দা আয়োনেস্কু অমসুং রোবলসনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ১১-৮দা গেম অদু চাইনাগী পেয়র অদুদগী মুনবা ঙমখি। মখাতারকপা অহুমশুবহা গেম অদুদা চাইনাগী পেয়র অদুগী মায়কৈদগী ফজবা হেনখি। ১১-৭তা থোইদুনা গেম ২-১দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

৪শুবা গেম অদুদা চাইনাগী মা লোং অমসুং ৱাং শুকিননা য়াম্না লাকশিন্দুনা শান্নবা হৌরকখি। ১১-৩দা য়াম্না কোম্না থোইদুনা ফাইনেল অদুদা গেম ৪-১দা হেন্দুনা লৈখি। ৫শুবা গেম অদুদা স্পেন অমসুং রোমানিয়াগী শান্নরোয় অনীনা ফনা কন্না হোৎনদুনা লাক্লবসু চাইনাগী শান্নরোয় অনীবু লম্বা পীরকপা ঙমখিদবদগী ৫-১১দা মায়থীদুনা চাইনাগী পেয়র অদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা চাইনাগী শান্নরোয় অনীগী লম্বা ওইখি। ২শুবা সিদেদ শান্নরোয় শেন মেং অমসুং ৪শুবা সিদেদ লিয়ু শিৱেননি। অহানবা সেট শেন মেংনা ১১-৯দা থোইখি। ২শুবা অমদি ৩শুবা গেম অদু লিয়ু শিৱেননা ১১-৭, ১১-৭দা মায়পাক্কুনা গেম ২-১দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

শেন মেংনা ৪শুবা গেম অদু ১১-৭তা থোইদুনা গেম ২-২দা মান্নখি। ৫শুবা অমসুং ৬শুবা গেম লিয়ুনা থোইদুনা নুপীগী চেম্পিয়ন ওইখি।

# ইন্দিয়াগী প্রজনিস গুনেশ্বরন বি এম দব্লীয়ু ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদ্রে





**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী)ঃ**
জর্মনিগী ম্যুনিটতা পাঙথোক্কদবা য়ুরো ৫৮৬,১৪০গী শেলগী মনা লৈবা বি এম দব্লীয়ু ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদ্রে।

গুনেশ্বরননা এ টি পি টুর্নামেন্ট অদুগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দগী অহানবদা ওষ্ট্রিয়াগী অলেকজেন্দর অরলরবু ৩-৬, ৭-৬ (৭-৫), ৭-৫দা থোইরবা মতুং অনীশুবা রাউন্দদা উজবেকিস্তানগী দেনিস ইসটোমিনগী মখুৎতা কন্না লান্হেৎনরম্লগা মায়থীহৌবনি। করিগুম্বা মেচ অদু মহাক্না মায় পাক্লম্লবদি বি এম দব্লীয়ু ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট শরুক য়ারমগদবনি।

ক্বালিফাইয়িং অদুগী অনীশুবা রাউন্দগী অহানবা সেট ৱর্ল্ড নম্বর ৭৫ প্রজনিস গুনেশ্বরননা ৬-৪দা থোইখি। অদুবু থংনবা সেট২ টেনিসনা ৬-২, ৬-২দা মায়থীবা পীদুনা প্রজনিস লৈহৌবনি।

উজবেকিস্তানগী অন্দিজনদা পাঙথোকপা য়ুএস দোল্লর ২৫০০০গী শেলগী মনা লৈবা আই টি এফ ৱুমন টেনিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়গী প্রঞ্জলা যদাপল্লি ফাইনেলদা রসিয়াগী কামিলা রাখিমোভাগী মখুৎতা মায়থীদুনা রন্নর্সঅপ তাখি।

ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট ইন্দিয়াগী শান্নরোই প্রঞ্জলা যদাপল্লিনা য়াম্না ফজনা শান্নদুনা রসিয়াগী শান্নরোই অদুগী সার্ভিস গেম অহুমক ব্রেক তৌদুনা ৬-০দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা সেটতা রসিয়াগী ক্বালিফাইয়র অদুদা ফজনা শান্নবা হৌরকপদগী ইন্দিয়াগী প্রঞ্জলা যদাপল্লি সার্ভিস গেম ৩ ব্রেক তৌদুনা ৬-১দা থোইরগা সেট অমমম মান্নরকখি।

মশাগী চহী ২০দা ঙাইরিবা ইন্দিয়াগী প্রঞ্জলা যদাপল্লিনা চহী অসিদা ৩লক শুবা টুর্নামেন্ট ওইনা উজবেকিস্তানগী অন্দিজনদা শরুক য়ারকপনি।

দিসাইদিং সেট অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই প্রঞ্জলা যদাপল্লিনা রসিয়াগী শান্নরোই কামিলাগা অকনবা লম্বা তৌদুনা গেম ২-২ ফাওবা মান্নদুনা লৈখি। অদুবু থংনবা ৫শুবা গেম অদু প্রঞ্জলা যদাপল্লি সার্ভিস ঙমদুনা ৩-২দা মাংজিল থাবা ঙমখি।

মখা তারকপা প্রঞ্জলা যদাপল্লিগী সার্ভিস গেম অনী রসিয়াগী কামিলা রখিমোভানা ব্রেক তৌখিবদগী ৬-৩দা থোইদুনা ইন্দিয়াগী প্রঞ্জলা যদাপল্লি ফাইনেল অদু সেট ১-২দা মায়থীহৌখি।

নাইজেরিয়াগ অবুজাদা পাঙথোকপা আই টি এফ টুর্নামেন্ট অমদা ইন্দিয়াগী আর্জুন অমসুং বিজয় সুন্দর দবলসকী ফাইনেলদা মায়থীহৌখি।

য়ুএস দোল্লর ২৫,০০০ লৈবা আই টি এফ টেনিস টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী খাদে অমসুং বিজয় সুন্দর প্রসান্তফ্রান্সকী দান এদেট অমসুং গ্রিসকী মাইকেল পরভোলারাকিসকা লম্বা তৌনবদা য়াম্না মান্নখি। অদুবু ফ্রান্স অমসুং গ্রিসক পেয়র অদুনা অহানবা সেটতা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুগী সার্ভিস গেম অমা মুন্দুনা ৬-৪দা থোইখি।

ফাইনেল অদুগী অনীশুবা সেট অদুদসু ইন্দিয়াগী আর্জুন কাধে অমসুং বিজয় সুন্দরনা লম্বা পীরদুনা শান্নখিবদা মখোয়গী সার্ভিস গেম অমা অমুক্কা হন্না ফ্রান্সকী দান এদেট অমসুং গ্রিসকী মাইকেল পরভোলাকিসনা ব্রেক তৌ-খবদগী ৪-৬তা মায়থীদুনা ইন্দিয়াগী পেয়র অদু টুর্নামেন্ট অসিগী রন্নর্সঅপ তাহৌবনি।

অতোপ্পা পাউ অমদা ইন্দিয়াগী চহী ১৪ মখাগী টেনিস টিম এসিয়াগী মরু ওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইগদৌরিবা এসিয়ান দিভিজন ১ অন্দর ১৪ দিভলপমেন্ট টেনিস ইভেন্টতা শরুক য়াবা ঙল্লোইদবগী ফিভমদা লৈরি।

উজবেকিস্তানগী কোনুং টাসকেন্টতা মথং থাগী ৪দগী হৌগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা শেলগী মতেং পীবা ৱাৎপদগী য়াওবা ঙল্লোইদৌরিবনি।

ওলইন্দিয়া টেনিস এসোসিয়েসননা নুপামচা অমসুং নুপী শান্নরোই ৬ অদুগী ফ্লাইট টিকেট অমসুং উজবেকিস্তানদা চৎপা য়ানবা ক্লিয়ারেন্স নিখিবনি।

আয়ুস অর্জেরিয়া, য়ুমন নন্দল অমসুং অগ্রিয়া যাদবনা নুপামচাগী শান্নরোইশিংনি লোয়ননা নুপীগী কাংলুপ্তা চহানা বুদুবতি, সুহিতা মরুরু অমসুং পারিস সিংহনি।

# কিরন জোর্জনা নুপাগী অদুগা অকরসি কস্যবনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রে



**বেঙ্গালুরু, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী)ঃ**
করনাটাগা বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী মখাদা পাঙথোকপা য়োনেক্স সনরাইজ সেনিয়র নেসনল রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপাগী সিঙ্গলসতা কেরলাগী রিকন জোর্জনা টাইটল লৌখ্রে। নুপীগী সিঙ্গলকীনা অকরসি কস্যবনা ফংখ্রে।

চয়োল অমগী মমাঙদা কোজিকোদতা পাঙথোকখিবা নেসনল টুর্নামেন্টতা ফাইনেল মায়থীখ্রবা মতুং ঙসি টেলঙ্গনাগী শান্নরোয় রাহুল যাদবকা কিরন জোর্জকা লম্বা তৌনখি।

অহানবা গেম রাহুল যাদবনা রিকন জোর্জবু ২১-১৮দা থোইদুনা মাংজিল থাখি। অদুবু কিরননা অনীশুবা গেমদা য়াম্না ফজবা মশান্না উৎপা ঙম্বদগী ২১-৯দা থোইদুনা ফাইনেল অদুদা শান্নরোয় অনীমক গেম অমমম মায় পাক্লদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা নাকল অনীমক্তগী লম্বা মান্নখি। পোইন্ট ১৮-১৮ ফাওবা মান্নদুনা লৈরম্বদগী রিকন জোর্জসনা ২১-১৮দা থোইবা ঙমদুনা নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী শান্নরোই অকরসি কস্যব অমসুং রেলৱেজগী রিয়া মুখর্জিগা লম্বা তৌনখি।

অহানবা গেম অদুদগী হৌরদুনা অকরসি কস্যবকী মশান্না অদুনা রিয়া মুখর্জিগী মশান্নদগী ফজবা হেনখি। ২১-১৩দা অহানবা গেম অদু থোইবা ঙমখি।

অনীশুবা গেমদসু রিয়া মুখর্জিনা ফনা কন্না হোৎনরবসু অকরসিগী মশান্না অদুদা লম্বা পীবা খরা ৱাখিবদগী ২১-১৪দা থোইরগা নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা অন্দ্র প্রদেশকী কৃষ্ণ প্রসাদ অমসুং এয়র ইন্দিয়াগী দ্রুব কপিলানা রুপেস কুমার অমসুং ভি দিজুবু ২১-১৭, ১৯-২১, ২১-১৫দা থোইদুনা টাইটল ফংখি।

নুপীগী দবলসতনা এয়র ইন্দিয়াগী সিখা গৌতম অমসুং করনাটাকাগী অস্বিনি ভতনা টেলঙ্গনাগী কেয়ুরা মোপতি অমসুং ওরিষাগী রুতাপর্না পন্দাগা লম্বা তৌনখি। গেম অদু সিখা অমসুং অস্বিনিনা ২১-১১, ২১-১৭দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

# আই এস এস ৱর্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়ানা মেদল মশিং খ্বাইদগী য়ামখ্রে

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী)ঃ**
চাইনানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা আই এস এস এফ রাইফলস/পিষ্টল ৱর্ল্ড কপ ২০১৯দা ইন্দিয়াগী টিম্না মেদল মশিং খ্বাইদগী য়াম্না ফংখ্রে।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গোল্ড ৩, অমসুং সিলভর ১ ফংদুনা য়ুম্বু ওইখিবা চাইনাদগী গোল্ড মশিং হেনখি। চাইনানা গোল্ড ২, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ ফংখি।

ইন্দিয়াগী সুটরশিংনা আই এস এস ৱর্ল্ড কপ অসি চহী ২গী মনুংদা অনীরক শুবা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। মমাঙ চহীদা ন্যু দিল্লিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ অদুদসু ইন্দিয়াগী হঙ্গেরিগা মেদল মশিং মান্নদুনা পুন্না টিম চেম্পিয়ন ওইমিন্নখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অঞ্জুম মোদগিল অমসুং দিভিয়ান্স সিংহ পনৱরনা মিটর ১০গী মিক্স এয়র রাইফলগী গোল্ড মেদল লৌখি। নালক অমরোমদা মনু ভাকর অমসুং শৌরব চৌধুরিনা মিটর ১০গী মিক্স এয়র পিষ্টলগী গোল্ড ফংখি। লোয়ননা অহুমশুবা গোল্ড অদুদা অবিসেখ বর্ম্মনা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টল ইভেন্টতা গোল্ড লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী দিভিয়ান সিংহ পনৱরনা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি।

ঙসি সুটিং চেম্পিয়নশিপ অদুগী অরোইবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী সুটরশিং মেদল অমা ফাওবা ফংবা ঙমখিদে। ঙসিগী লম্বা তৌনখিবা মিটর ২৫গী পিষ্টল অমসুং মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পোজিসনগী ইভেন্টশিংনি।

বৈজিংদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ অদুদা ইন্দিয়াগী সুটরশিংনা মেদল ফংবতা নত্তনা ওলিম্পিক কোটাসু ফংহৌখি।

ঙসি নুপীগী মিটর ২৫গী স্পোর্টস পিষ্টলদা বলগেরিয়াগী মারিয়া গ্রোজ দেবানা ফাইনেল রাউন্দদা পোইন্ট ৩৬ ফংলগা গোল্ড মেদল ফংখি। হঙ্গেরিগী বেরোনিকা মেজরনা পোইন্ট ৩৫ ফংলগা সিলভর অদুগা গ্রিসকী অনা কুরাকাকিনা পোইন্ট ৩০ ফংলগা ব্রোঞ্জ লৌখি। কম্পিটিসন অদুদা ইন্দিয়াগী মনুপাকর ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে।

মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পোজিসনদা ক্রোএসিয়াগী স্নিজানা পেজিক্না পোইন্ট ৪৬৪ ফংলগা গোল্ড মেদল লৌখি। সাউথ কোরিয়াগী বে সাং হিনা পোইন্ট ৪৫৯.৫ ফংলগা সিলভর ফংখি। লোয়ননা নোৱেগী জিনেট হেগ দুষ্টাটনা পোইন্ট ৪৪৭ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

# এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়ানা পুন্না মেদল ১৬ ফঙবা ঙমখ্রে



**জিয়ান, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী)ঃ**
চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা জিয়ান সিটিদা পাঙথোকপা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী রেষ্টলশিংনা পুন্না মেদল ১৬ ফংবা ঙমখ্রে।

ঙসি অরোইবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী গ্রিকো-রোমন রেষ্টল্লরশিংনা সিলভর মেদল অমগা ব্রোঞ্জ মেদল অমগা ফংবা ঙমখি।

নুপাগী কিলোগ্রাম ৮২গী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী হরপ্রিত সিংহ ইরানগী রেষ্টল্লর সাইদ মোরাদ অব্দালিগী মখুৎতা ০-৮তা মায়থীহৌদুনা সিভল ফংখি।

পনবা য়াই হরপ্রিতনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ক্রিকিস্তানগী বুরগো বৈসলিপবু ৫-১দা মায়থীবা পীরবা মতুং সেমি ফাইনেলদা চাইনাগী রেষ্টল্লর হায়টাওকিয়ানবু ১০-১দা থোইরম্বনি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টল্লর গ্যানেন্দরনা কে জি ৬০গী কেটগোরিদা চাইনিজ টাইপৈগী জ্বিই সি হুৱাংগী মখুৎতা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখি।

গ্যানেন্দরনা ক্বার্টর ফাইনেলদা জের্দনাগী অলি অবেদপু ৯-১দা মায়থীবা পীখি। অদুবু সেমি ফাইনেলদা উজবেকিস্তনাগী রেষ্টল্লর ইসলোন জেন বখারোবকী মখুৎতা ০-৯দা মায়থীহৌখি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টল্লর যোগেস ব্রোঞ্জ মেদলগী লম্বা তৌনখিবা বাউট অমদা ক্রিকিস্তানগী রস্লান জারিবকী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

ঙসি অঙনবদা পাঙথোকখিবা কে জি ৬৭কী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী রবিন্দর ক্বালিফিকেসন বাউটতা মায়থীহৌখি। লোয়ননা কে জি ৯৭কী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী হরদিপ সিংহ ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌখি।